**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19.04.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৯-০৪-২০২৪, ইরাই)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ৱাহেংবম রাজেসনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) পামদবা থৌদোক খরা থোকপা নত্তনা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মনিপুরদা ঙসি থাদনখ্রে। নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮.৬২ ওইখি।

২) অহানবা তাঙ্কক্তা ঙসি ভোট থাদনখিবা মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ ১০ গী মরাইবক চাজ্ম নমদুনা স্ত্রোং রুমদা থমখ্রে।

৩) রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি মরিগী সিট ১০২ দা লোক সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে । নুংথিল পুং ৫ফাওবদা চাদা ৬০ গী চাংদা ভোট থাদনখি ।

৪) লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসিনা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৯৮ গী ভোট মথং থাগী ৭ তা ভোট থাদগনি।

**অমসুং**

৫) ছাতিসঘরদা বোম পোখায়বগী থৌদোক্তা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শীরে অমনা শোক্লে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**ইলেক্সন(এল)ঃ** পামদবা থৌদোক খরা থোকপা নত্তনা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মনিপুরদা ঙসি থাদনখ্রে। ইলেক্সন কম্মীসনগী মতুং ইন্না নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮.৬২ ওইখি। ইন্নর মনিপুর পালিয়ামেন্তরি সিটকী ওইনা চাদা ৭২.৩২ অমসুং আউতরগী ওইনা চাদা ৬১.৯৮ নি। মসি হেনগৎলকপা য়ানা লৈরি । মীখলদা মথৌ তৌরিবা পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাতরশিংদা থুংনবা হৌখ্রে। অথাপ্পা মফমগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী পোল্লিং ওফিসিয়েলশিং ঙসি অথেংবা ফাওবদা থুংলরগনি।

ইন্নরগী ওইনা পুং ৫ ফাওবদা খ্বাইদগী য়ামা ভোট চাং ৱাংনা থাদনখিবা অসি কৈরাও কেন্দ্রদনা ওইরি। কেন্দ্র অসিদা চাদা ৮৩.৮১ গী চাংদা ভোট থাদনখি। ৱাংখেমদা চাদা ৮২.৪১ নি, হৈঙাংদা চাদা ৮০ রোম ভোট থাদবগী পাউ ফংই। উরিপোক কেন্দ্রদা চাদা ৫৬.২৬ কী চাংদা অমসুং ওইনাম কেন্দ্রগী ৫৭.৮০ চাংদা ভোট থাদখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনবা অসিদা ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্তরি গী সিট ৩২ অমসুং আউতর পার্লিয়ামেন্তরিগী সিট ১৫ দা ভোট থাদখি। ভোট থাদবা অয়ুক পুং ৭ তগী হৌদুনা নুংথিল পুং ৪ দা লোইশিনখি। অদুমওইনমক পোল্লিং ষ্টেসন খরদা ভোটরশিং লৈবা মরমনা ভোট থাদবগী মতম শাংথাখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা অপুনবা ভোটর লাখ ১৫ লিশিং ৪৪,৬৫২ না পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ২,১০৭দা ভোট থাদখি। মসিগী মনুংদা নুপা ভোট্টর লাখ ৭ লিশিং ৪১,৮৪৯, নুপী ভোট্টর মশিং লাখ ৮ লিশিং ২,৫৫৭ য়াওরি অমসুং থার্দ জেন্দর ২৪৬ নি। লাঞ্জেন্নদুনা চংজফম লৌরিবা ভোটর মশিংনা লিশিং ১৮,০৯১নি। মীখল অসিদা ইন্নর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ওইনা অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন লিশিং ১,৩১৯ দা ভোটর লাখ ৯ লিশিং ৪৮,৮১১ ভোট থাদখি।

ঙসি মীখল অসিদা নুপী ঙাক্তনা মথৌ তৌবা পোল্লিং ষ্টেসন ৬৬৫ অমসুং হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিং খক্তনা মথৌ তৌবা পোল্লিং ষ্টেসন অনি য়াওখি। ইলেক্সন কম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানা মনিপুরদা কাংলুপকী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসিগী য়েংলগা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৫ হাংদোক্তুনা মখোয়বু ভোট থাদনবা থৌরাংসু শিনখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতা ৯, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ৮, বিষ্ণুপুরদা ২২, থৌবালদা অনি, ককচিংদা মঙা, কাংপোকপীদা ২৪ অমসুং চুরচান্দপুরদা ১৫ হাংখি।

ইন্নর মনিপুর লোক সভা সিটতা মীরেপ তরুকা লন্বা থেংনখি। মীরেপশিং অদুদি-ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অঙোমচা বিমোল অকোইজম, ভারত্তিয়া জনতা পার্টিগী থৌনাওজম বসন্তকুমার, রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথাৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্টশিং-রাজকুমার সোমোরেন্দ্রো (কাইকু), মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা অমসুং হাওরুংবম সরত সিংহনি। ঙসি ভোট থাদনখিবা অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী পাউমীগী পাউদম অমা -

**-- সাউন্দ গঙ্গা--**

আউটর সিটকী সিটকী ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল অসিদা ভোট্টর লাখ ৫ লিশিং ৫০ রোমনা মীরেপ ৪ গী মরাইবক লেপকনি। মীরেপশিং অদুদি-নাগা পিপলস ফ্রন্টকী কাইচু তিমোথি জিমিক, ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে. অর্থর অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ অনি-ডাঃ এলিসন অবোনমাই অমদি এস. খো জোননি। আউতরগী ওইনা চান্দেল জিলাদা খ্বাইদগী মশিং য়ামা চাদা ৮৫.৫৪ য়ৌনা ভোট থাদখি। হেংলেপ অমসুং সিংহাট বিধান সভা কেন্দদা চাদা ৭৯ রোম থাদখি, সাইকুল বিধান সভা কেন্দ্রদা শুপতগী চাদা ১৯.৪৬ কী চাংদা ভোট থাদখি।

অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা চুরাচান্দপুর জিলাগী বিধান সভা কেন্দ্র মরিদসু ঙসি ভোট থাদনখি। কেন্দ্রশিং অদুদি - সিংহাট , হেংলেপ, চুরাচন্দপুর অমসুং সাইকোটতনি। জিলা অসিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীখলগী মতাংদা ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমীগী পাউদম---

**--সাউন্দ বাইট--(ফ্রান্সিস সোঙাতে)**

**দেবব্রতা(এল)ঃ** মনিপুরদা লোক সভা মীখলগী ঙসি ভোট থাদনখিবা অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা পামদবা থৌদোক থোকখিবা অদবু মনিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কর্ম্মীতিনা নুংনাংবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দল অসিগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ত কে.ঐচ দেবব্রতানা হায়- ঙসি ভোট থাদনখিবা অদুদা পোল্লিং ষ্টেসন খরদা অকি অখঙ নংহনখিবা, ভোত থাদবগী হক মৎপা, গনতন্ত্রাগী ৱাহন্থোক্কী মায়োক্তা নিংতমা ভোট থাদহনখিদবা অদুগী মতাংদা ইলেক্সন কর্ম্মীসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাখৎলগনি। মহাকা হায়-থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংগী মতাংদা লৈঙাক্তা অমদি মরী লৈনবা বিভাগতা ৱাকৎলবসু তাবিখিদে।

অমরোমদা, এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়- ঙসি পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলগী অহানবা তাঙ্কক্তা নম্ফু শাফু তৌরগা ভোট থাদনখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা অমুক ভোট হন্ননবা ইলেক্সন কর্ম্মীসন ওফ ইন্দিয়া ই.সি.আইদা ৱাকৎলগনি। শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়- মফম কয়াদা নোংমৈ কাপশিনবা য়াওনা বি.জে.পিদা ভোট থাদবা য়াদে হায়না নম্ফু শাফু তৌবা হায়বসি লাইবক থীবনি। পোল্লিংগী ইন্নর এজেন্ত ফাওবা ফমহন্দবা মফমশিং অসি আইনগী মতুং ইন্না ইন্দিয়া ব্লোক্কী মায়কৈদগী ইলেক্সন কর্ম্মীসন ওফ ইন্দিয়ানদা ৱাকৎলগনি।

**--পাউগী মরক থংনা অতেংনবা ব্রেক অমা --(কোচিং)**

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি --**

**ভোটঃ** লোক সভা মীখল ২০২৪ গী অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে । ইলেক্সন কম্মীসনগী মতুং ইন্না নুংথিল পুং ৫ফাওবদা চাদা ৬০ গী চাংদা ভোট থাদখি হায়রি।

তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি মরিদা সিট ১০২ গীদমক ভোট থাদনখি। মসিগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিম বিধান সভাগী মীখলগী ভোটসু থাদনখি।

ভোট থাদবা অয়ুক পুং ৬ তগী হৌখি। ভোট থাদবা লোইশিনবগী মতম অৱাং-নোংপোক রাজ্য অমসুং লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমনা শোকহল্লবা মফমশিংগা খেনরবসু অতৈ রাজ্যশিংদা ভোট থাদবগী মতম নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা লোইশিনখি। রাজ্য খরদা মীয়াম চাং ৱাংনা থোরক্কুনা ভোট থাদখি। তাঙ্কক অসিদা টামিল নাদুগী সিট ৩৯ , রাজস্থানগী সিট ১২, উত্তর প্রদেশকী সিট ৮, মধ্য প্রদেশকী সিট ৬, অসাম, মহারাস্ত্রা অমসুং উত্তরখন্দগী ৫-৫, বিহারগী ৪, নোংচুপ বেঙ্গলগী ৩, অরুনাচল প্রদেশ,মেঘালায় অমসুং মনিপুরগী সিট ২-২ অমদি ছাতিসগর, ত্রিপুর অমসুং জম্মু কাস্মারগী অমমমনি।

তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,৬২৫ না লম্বা তৌনরি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ ওইরিবা শকাইরবশিংগী মনুংদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি নিতিন গদকরি, সরবানন্দ সোনোৱাল , কিরেন রিজিজ, ডা: জিতেন্দর সিংহ,কংগ্রেস লুচিংবা গৌরব গোইগোই, কারতি চিদম্বারম,দি.এম.কেগী দয়ানিধি মরন য়াওরি। তাঙ্কক অসিগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন লাখ ১ লিশিং ৬৩ হাংদোক্কুনা ভোতর কোতি ১৬ লাখ ৬৩ না ভোট থাদখি। নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা নাগালেন্দদা চাদা ৫৬ রোম, মীজোরামদা চাদা ৫৩ রোম, সিক্কিমদা চাদা ৬৮ রোম, মেঘালয়দা চাদা ৬৯, অসামদা চাদা ৭০ রোম অমসুং ত্রিপুরাদা চাদা ৭৯, নোংচুপ বেঙ্গলদা চাদা ৭৭.৫৭ রোমগী চাংদা ভোট থাদনখি। মীরেপ লিশিং ১,৬২৫ গী মরাইবক ই.ভি.এমদা চাজ়ম নমদুনা অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা স্ত্রোং রুমশিংদা থমখ্রে।

**এ.আর(এল)ঃ** অককবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী হলপি অমসুং সাইফাইদা থীবা হুন্সগী থবক চথবদা খুলায় অমসুং নোংমৈ মরুশিং ফংবা
ঙম্লে হায়রি। মফম অদুদগী এ.কে ফোটিসভেন রাইফল অমা , লোকেল মেদ মোতার অনি ফংলে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং রাজ্য পুলিসতা শিন্নখ্রে।

মরক অসিদা চান্দেল জিলাগী শাজিক তম্পাক্কী লোংজাদা গাড়ি এক্সিদেন্ত থোকপদা মীওই ৪ অশোক অপন নংখি। মখোয়শিং অদু অসাম রাইফলসনা ফার্ষ্ট এদ পিখি।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেংনবা ব্রেক অমা --(ববিনা )**

**---অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**নোমিনেসনঃ** লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসিনা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৯৮ গী ভোট মথং থাগী ৭ তা ভোট থাদগনি।

পনবা য়াবদি লোক সভা মীখলগী মরি শুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙরাংদগী হৌখিবা। মরি শুবা তাঙ্কক্তা রাজ্য ৯ অমসুং য়নিয়ন তেরিতোরি অমগী লোক সভা কেন্দ্র ৯৬ তা ভোট মথং থাগী ১৩ দা পাঙথোক্কনি।

অমরোমদা, বিধান সভা কেন্দ্র ১৭৫ লৈবা অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং উরিষাগী বিধান সভা কেন্দ্রগী অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদবা কেন্দ্র ২৮ গী মীখলগী নোতিফিকেসনসু ঙরাং থোকখ্রে।

**কেম্পেইনঃ** লোক সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্কীদমক রাজনিতি দলশিংনা মখোয় মখোয়গী মীরেপকীদমক ভোট খোমরি। উতর প্রদেশতা বি.জে.পি লুচিংবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অমরোহা জিলাগী গজরাওলাদা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংদুনা নেসনেল দিমোক্রেটি এলাইন্সনা পুথোক্লিবা মীরেপশিংগী ভোট খোমখি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি যোগি অদিত্যানা বুলন সহরদা পাঙথোকপা রেল্লি অনিদা ৱা ঙাংখি । সমাজ ৱাদি পার্টি লুচিংবা অখিলাস যাদপ্তা ঙসি মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংদুনা ইন্দিয়া ব্লোকা পুথোক্লিবা মীরেপকী ভোট খোমখি।

অমরোমদা, বিহারদসু থা অসিগী ২৬ তা লোক সভা কেন্দ্র ৫ দা পাঙথোক্কদবা মীখলগী ভোট কমথেংনা কল্লে। কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ত মালিক আরজন্ খরগেনা কাতিহার জিলাগী রাজন্দ্রে ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা মীয়াম মীফম অমদা ৱা ঙাংখি।আর.জে.দিগী লুচিংবা তেজাসুরি প্রসাদ য়াদপসু বঙ্কা লোক সভা কেন্দ্রগী বাইরো গঞ্জদা পাঙথোকপা রেল্লি অমদা শরুক য়াখি। আর.জে.দি লুচিংবা অসি পুরনিয়া দরবঙ্গা অমসুং সমসতিপুর জিলাদা হয়েং পাঙথোকদা রেল্লিশিংদা শরুক য়াগনি। অমরোমদা, বি.জে.পি লুচিংবা সমরট চৌধুরি অমসুং বিজয় কুমার সিনহানা এন.দি.এ পুথোকপা মীরেপকীদমক ভোট খোমগনি।

মধ্য প্রদেশতা ভোট খোম্বগী থবক খমথেংনা কল্লে। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি দামোহ জিলাদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি । ঙসি নুমিদাং অথেংবদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বি.জে.পি মীরেপকীদমক মহারস্ত্রাগী ৱারদারদা ভোট খোমগনি।

**ছাতিসঘরঃ** ছাতিসঘরগী বিজাপুর জিলাদা বোম পোখায়রকপদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শীরে। উশুর পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা গলগামদা সি.আর.পি.এফকী কাংবু অমনা এরিয়া দোমিনেসনগী থবক চথরিঙৈদা বোম অদু পোখায়রকখিবনি। জৱান অদু শোকপদগী জকদলপুর হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়েংলবা মতুং কায়নথংদা লৈখিদবনি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা বিজাপুর জিলাগী ভাইরমগরদা আই.ই.দি অমা পোখায়রকপদা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শোক্লে। মফম অদুদা এরিয়া দোমিনেসগী থবক চথরিঙৈদা বোম অদু পোখায়রকখিবনি।

**আর্মিঃ** নেভেল ষ্টাফকী ভাইস চিফ এদমিরেল দিনেস কে.ত্রিপাথিবু ভারত নেভিগী মথংগী মকোক ওইনা হাপখ্রে। থা অসিগী ৩০ দা থবক্তাগী পোথাগদবা এদমিরেল আর. হারি কুমারগী মহুৎ দিনেস ত্রিপাথিনা শিল্লগনি।

নেভেল ষ্টাফকী ভাইস চিফ ওইনা থৌ পুদ্রিঙৈদা শ্রী ত্রিপাথি ৱেষ্টর্ন নেভেল কাম্মান্দগী ফ্লেগ ওফিসর কাম্মান্দিং ইন চিফ ওইস্মী।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১)        পামদবা থৌদোক খরা থোকপা নত্তনা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগা ভোট মনিপুরদা ঙসি থাদনখ্রে। নুংথিল পুং ৫ ফাওবদা ভোট থাদবগী চাং চাদা ৬৮.৬২ ওইখি।

২)        অহানবা তাঙ্কক্তা ঙসি ভোট থাদনখিবা মনিপুরগী পার্লিয়ামেন্তরি সিট অনিগী মীরেপ ১০ গী মরাইবক চাজ্ম নমদুনা স্ত্রোং রুমদা থমখ্রে।

৩)  রাজ্য ১৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি মরিগী সিট ১০২ দা লোক সভা মীখলগী ভোট ঙসি শান্তি ওইনা থাদনখ্রে । নুংথিল পুং ৫ফাওবদা চাদা ৬০ গী চাংদা ভোট থাদনখি।

৪)        লোক সভা মীখলগী অহুম শুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী মতম ঙসিনা লোইরে। তাঙ্কক অসিদা রাজ্য ১০ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী পুন্না লোক সভা কেন্দ্র ৯৮ গী ভোট মথং থাগী ৭ তা ভোট থাদগনি।

**অমসুং**

৫)      ছাতিসঘরদা বোম পোখায়বগী থৌদোক্তা সি.আর.পি.এফকী জৱান অমা শীরে অমনা শোক্লে।

**--- পাউ লোইজরে---**